# শিভাজিয়াঙ্গনা মুম্বাইবু মায়থিবা পীদুনা মখোয়গী অহানবা মায় পাকপা ওইখ্রে

পুনে, ফেব্রুৱারি ৯ ঃ

আইভোরিয়াগী শিংথানরবা প্লেয়র দৌহৌ পৈরেগী সোলিটরি গোলনা দি এস কে শিভাজিয়াঙ্গনা মুম্বাই এফ সিবু ১-০ দা মায়থিবা পীদুনা পোইন্ট মরি ফংখিদুনা লীগকী নিপানশুবা মফমদা লৈখ্রে।

মফম অসিগী বালেৱাদি ষ্টেদিয়মদা নোংমাইজিং নুমীৎতা শান্নখিবা দি এস কে শিভাজিয়াঙ্গ অমদি মুম্বাই এফ সিগী প্লে অদু অয়েংবা মীয়ামগী মিৎথন্নফম ওইখি। মমাঙগী মেচতা মোহন বগাননা দি এস কে শিভাজিয়াঙ্গপু য়াম্না লাকচনা মায়থিবা পীরমখিবা টিম মেম্বরশিং অদুদগী প্লেয়র মঙা হোংদোক্তুনা প্লে কুমখি। প্লেয়রশিং হোংদোক হোংজিন তৌখিবা অদুমক্কসু দি এস কে শিভাজিয়াঙ্গকী চান্নবা হায়বদু ওইদুনা লম্বানখিবা মুম্বাই এফ সিবু মায়থিবা পীবা ঙমখি।

মেচ মায় পাকখ্রবা দি এস কে শিভাজিয়াঙ্গনা মেচ মঙা ফংদুনা শান্নখিবদা পোইন্ট মরি ফংদুনা লীগকী টেবলদা নিপানশুবদা লৈখি অদুগা মুম্বাই এফ সিনা পোইন্ট নিপান ফংদুনা মরিশুবা মফমদা লৈখি।

দি এস কে শিভাজিয়াঙ্গ অমদি মুম্বাই অনীনা মখোয়গী অরৈবা পাঙ্গল-লৌশিং পুথোক্লদুনা শান্নখিবা প্লে অদুগী মিনিট ২১ চৎপা মতমদা দি এস কে



শিভাজিয়াঙ্গকী দৌহৌ পৈরেনা ফংখিবা বোল অমা য়াম্না ফজনা মুম্বাই এফ সিগী গোল পোষ্ট মনুংদা কাওশিনখিদুনা গোল চনখিবগা লোয়ননা ১-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি। শিভাজিয়াঙ্গনা গোল চনখিবা ইকুই কুইদনা টিম অসিগী প্লেয়র রফিনা বোল অমা খুৎলৈ থুনা মুম্বাই এফ সিগী পোষ্ট তম্না কাওশিনখিবদা বোল অদু পোষ্টকী ৱাংমা লান্না চৎখিদুনা গোল ওইরম্বা য়াবদু অরেম্বদা তাখি।

মুম্বাই এফ সিনা গোল ইক্বেলাইজ তৌনবগীদমক অঙম্বা পাঙ্গল শক্তি শীজিন্নদুনা শিভাজিয়াঙ্গকী মায়কৈদা তকখৎখি। মুম্বাইগী ষ্ট্রাইকর ইরিক ব্রাউননা ফংখিবা বোল অমা শিভাজিয়াঙ্গগী গোল পোষ্ট ময়ানক্লা কাওশিনখিবদা গোল কিপর সুব্রাটা পাউলনা সেভ তৌখিদুনা অরেম্বা তাখি। মুম্বাইনা তৌখিবা এটেকশিং অদুবু কাউন্টর তৌরদুনা শিভাজিয়াঙ্গনা মখা তানা মুম্বাইগী মায়কৈদা চঙশিনখি। অদুবু শিভাজিয়াঙ্গকী অচেংবা তাঞ্জাদা মুম্বাইগী টাইসুকে মাটসুগেনা মেচকী মিনিট ৭৭ চৎপা মতমদা কাওশিনখিবা বোল অমা পোষ্টতা পান দুনা থক্তোকখিবদগী গোল ওইরম্বা য়াবদু অরেম্বা তাখি।

মেচ অদুগী লোইরমদাই শরুক্তা শিভাজিয়াঙ্গনা মখোয়গী টিমদা ওপোনেন্টনা গোল চলহনখিদনবা হারুন অমিরি অমদি দোন বোস্কো ফর্নান্দেজ য়াওনা টিম মেম্বরশিংনা ফৈগাক ফৈনা বেক্তা লেপ্তুনা থিংখি। ৱালশুম খাদুনা শিভাজিয়াঙ্গনা মখোয়গী বেক্তা থিংথিবা অদুনা মুম্বাই এফ সিনা হায়জিনবা ঙমদনা মায়থিহৌখি।

# পঞ্জাব ৱারিয়র্সনা কলিঙ্গবু মায়থিবা পীদুনা টেবলগী অনীশুবা মফমদা লৈখ্রে

ভুবনেশ্বর, ফেব্রুৱারি ৯ ঃ

হোকি ইন্দিয়া লীগ (ঐচ আই এল) কী নোংমাইজিং নুমীৎতা শান্নখিবা মেচতা সাইমন ওচার্দ অমদি সটবির সিংহগী ফিল্ড গোলনা পঞ্জাব ৱারিয়র্সনা কলিঙ্গা লেন্সরসপু ৪-১ দা মায়থিবা পীদুনা লীগ অসিগী অনীশুবা মফমদা লৈবা ঙমখ্রে।

পঞ্জাব ৱারিয়ার্স অমদি কলিঙ্গা লেন্সরস অনীগী নুংঙাইরবা মেচ অদুদা কলিঙ্গাগী গ্লেন টর্নরনা মেচকী মিনিট ৪২ চৎপা মতমদা পেনালটি কোর্নরদা গোল অমা চন্দুনা মেচ অদুবু মাঙজিল থানা চৎখ্রবসু পঞ্জাব ৱারিয়র্সকী সাইমন ওচার্দ অমদি সটবির সিংহনা মথংশিংনা মেচকী মিনিট ৪৮ অমদি ৫৮ চৎপা মতমদা ফিল্ড গোল অমমম চনশিন্দুনা মেচ মায় পাকখি।



মেচ মায় পাকখ্রবা পঞ্জাব ৱারিয়র্সনা মেচ তরেৎ ফংদুনা শান্নখিবদা পোইন্ট ২২ ফংদুনা লীগকী অনীশুবা মফমদা লৈখ্রে অদুগা কলিঙ্গা লেন্সরসনা পোইন্ট ২২ ফংলবসু গোল দিফরেন্সতা য়েংবদা লীগকী খ্বাইগী মকোক্তা লৈবা ঙমখি।

মেচ হেক হৌখিবগা কলিঙ্গা লেন্সরসনা পঞ্জাব ৱারিয়র্সকী মায়কৈদা অকনবা এটেকশিং তৌদুনা চঙশিনখি। অদুবু মখোয়গী এটেকশিং অদু পঞ্জাব ৱারিয়র্সনা থিংদুনা অরেম্বা তাহনখি। টিম অনীনা মখোয় মখোয়গী মায়োক্ল খিবা সাইদশিংদা এটেকশিং তৌদুনা গোল চন্নবা হোৎনখি। টিম অমনা টিম অমবু লাকশিন্নবা ঙম্নদনা শান্নখিবা মেচ অয়েংবা মীয়ামগী পূক্লিং চিংশিন্নফম ওইখি।

অনীশুবা ক্বার্টরদা পঞ্জাবনা অকনবা এটেক চথখ্রবসু কলিঙ্গাগী মপাঙ্গল কল্লবা মিদফিল্ডদা পাক হেক হায়জিন্দুনা দি বোক্স য়ৌনা চঙশিনবা ঙমখিদে। পঞ্জাবনা পুশিনখিবা বোলশিং কলিঙ্গানা ওক্লগা পুথোরক্তুনা কাউন্টর এটেকশিং চথরকখি। পঞ্জাবকী অকনবা এটেক অদুদা পেনালটি কোর্নর মরি ফংখ্রবসু গোল অমত্তা চনবা ঙমখিদে। কলিঙ্গাগী গোলকিপর এন্দ্রিয়ু চার্টরনা মহাক্কী মায়কৈদা লাকখিবা বোলশিং নীংথিনা মায়োক য়াদুনা থিংখি। অদুবু অহুমশুবা ক্বার্টরদা কলিঙ্গানা তৌখিবা এটেক অদুদা পেনালটি কোর্নর অমা মেচকী ৪২ চৎপা মিনিটতা ফংদুনা গ্লেন টনরনা গোল ওস্থোক্তুনা ১-০ দা মাঙজিল থানা লৈখি।

অরোইবা অমদি মরিশুবা ক্বার্টরদা পঞ্জাব ৱারিয়র্সনা মায়োক্লবা টিমগী সাইদতা চঙশিনখিবা এটেক্তা মেচকী মিনিট ৪৮ চৎপা মতমদা সাইমন ওচার্দনা ফিল্ম গোল অমা চনশিন্দুনা ২-১ দা মাঙজিল থানা লৈখি। পঞ্জাবনা গোল চনখিবদগী কলিঙ্গানা মায় পাক্লবা হায়দুনা অহেনবা গোলগীদমক তখৎলকখ্রবসু পঞ্জাবকী গোল পোষ্ট তম্না চঙশিনবদি ঙমখিদে। তাঞ্জা অদুদা পঞ্জাবকী সটবির সিংহনা মিনিট ৫৮ চৎপা মতমদা ফিল্ড গোল অমগা চনশিন্দুনা কলিঙ্গাবু মায়থিবা পীরমখি।

লীগ অসিগী অনৌবা নিয়ম মতুংইন্না ফিল্ড গোল অমদি সোর্ট কোর্নরদগী গোল চনবদা গোল অনী লৌগদবনি অদুগা মায় পাক্লবা টিমনা পোইন্ট মঙা ফংগনি। মেচ অদু দ্রো চৎলগনা পোইন্ট অনী লৌগনি। টিম অমনা গোল অনী নৎত্রগা মসিগী মখাদা মায়থিরবদি পোইন্ট অমা ফংগনি অদুগা টিম অমনা গোল অহুম নৎত্রগা মসিদগী হেনবা মশিংনা মায়থিরবদি পোইন্ট অমত্তা ফংলোই।

# ফিফাগী প্রসিদেন্ট খন্নবা মীখল ফেব্রুৱারি ২৬ তা পাঙথোক্কনি





জুরিখ, ফেব্রুৱারি ৯ ঃ

মালেমগী ফুটবোল মশান্নগী গভর্ণিং বোদি ওইরিবা ফিফাগী হান্নগী প্রসিদেন্নট সেপ ব্লাটরবু অথিংবা থমখিবদগী হাংদুনা লৈরিবা প্রসিদেন্টকী পোষ্ট মেনশিন্নবা ফেব্রুৱারি ২৬ তা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা মীরেপ ওইগদৌরিবশিংনা ফিফাগী শেঞ্জা-থুমজাদা পূক্লিং লুপতুনা মসিবু থিংনবা হোৎননবা মীৎয়েং থমদে হায়রি।

লাক্লিবা ফিফাগী প্রসিদেন্টগী মীখল অসিদা এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসনগী প্রসিদেন্ট সৈখ সলমান বিন ইব্রাহিম অলা খালিফা অমদি য়ুনিয়ন ওফ য়ুরোপিয়ন ফুটবোল এসোসিএসন (য়ু ঈ এফ এ) গী ইন ফার্ন্টিনোনা মাঙজিল থানা চৎলবসু মশাগী চহী ৭৯ শুরবা সেপ ব্লাটরগী মহুৎ কনানা শিনগনি হায়বা হৌজিক ফাওবা খঙবা ঙমদ্রি।

হান্নগী ফিফাগী ভাইস-প্রসিদেন্ট ওইরম্বা জোরদানগী প্রিন্স অলি বিন অল হুসেন, সাউথ অফ্রিকাগী টাইকুন অমদি গভর্ণমেন্ট পায়বদা য়াওরিবা টোকিয়ো জোরদার্ন অমদি হান্নগী ফিফাগী ইগজেক্যুটিব ওইরম্বা ফ্রাঞ্চকী জেরোম চেম্পেনসু প্রসিদেন্টগী মীখল অসিদা মীরেপ ওইরি। প্রসিদেন্টকী মীরেপ ওইরিবশিংনা মশা মশাগী মেনিফেষ্টোশিং ফোঙদোক্তুনা ফিফাগী হৌজিক লৈরিবা অমোৎপশিং শেংদোক্কনি হায়না মীয়ামদা থাজবা পীখ্রবসু পূক্লিং লুপশিন্দুনা য়েংবদি তৌদ্রি হায়রি।

মীরেপশিং অসিনা মীয়ামদা থাজবা কয়া অমা পীখ্রবসু ফিফাগী ৱাথোক ওইরিবা থৌদোকশিংদদি পূক্লিং চঙবা ৱাৎলি। মখোয়না পোষ্ট অসি পাম্বগী চিনখক্তদা ৱাজাও ঙাঙদুনা লৈরে হায়রি। মীরেপশিং অসিনা থাদোকখিবা মেনিফেষ্টোশিং অসিদা ফিফাগী মশাগী রিফোর্ম কম্মিটিনা ফিফাগী অমোৎপা চামথোক্লনবা হান্নানা আপিল তৌখিবা অদু চপ মান্ননা য়াওরি।

# ভুবোন মেমোরিএল দি এস এ ট্রোফি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৯ ঃ


দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএশন (দি এস এ) ককচিংনা শিন্দুনা ১২ শুবা নাওরেম ভুবোন মেমোরিএল দি এস এ ট্রোফি ষ্টেট লেভেল ইনভাইটেসন (মেন) ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ থা অসিগী ২৮ দগী দি এস এ ককচিংগী প্লে গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লগনি।

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশনগী মীৎয়েং মখাদা দি এস এ ককচিংনা শিন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ানিংবা টিমশিংনা থা অসিগী ২০ ফাওবগী মনুংদা এন্ত্রি পীশিল্লকপা য়াগনি।

টিমশিংগী এন্ত্রি ফিনা লুপা ৩৫০০ নি। মেনেজরস মিটিংনা থা অসিগী ২১ গী অয়ূক পুং ১১ তাবা মতমদা দি এস এ ককচিংগী ওফিসতা পাঙথোক্লগনি। মখা তাবা অকুপ্পা মরোল দি এস এ ককচিংগী জেনরেল সেক্রেটরিদগী খঙলবা য়াগনি।

# মণিপুরগী বিদ্যালক্ষ্মীনা সাইক্লিংদা গোল্ড মেদল লৌখ্রে





ইন্দিয়াগী নুপীগী কিলোমিটর ৮০ গী ইন্দিভিজুয়েল রোদ রেসতা গোল্ড মেদল লৌখ্রবী তৌরাংবম বিদ্যালক্ষ্মী, ৱুশুদা গোল্ড মেদল লৌখিবা চিরাগ শর্ম্মা

গুৱাহাটি/শিল্লোং, ফেব্রুৱারি ৯ ঃ

ইন্দিয়ন সাইক্লিষ্টনা সাউথ এসিয়ন গেমসকী ঙসি লোইশিনখিবা সাইক্লিং কম্পিটিশন্দা গোল্ড অমা, শিলভর অনী অমদি ব্রোঞ্জ মেদল অমা লৌবা ঙমখ্রে।

ইন্দিয়াগী নুপীগী কিলোমিটর ৮০ গী ইন্দিভিজুয়েল রোদ রেসতা তৌরাংবম বিদ্যালক্ষ্মীনা ২:৩:৫৫.৩৫০ সেকেন্দ য়াংনা থৌদুনা গোল্ড মেদল লৌখি। মহাক্কী কম্পেট্রোইট লিদিয়ামোল সনি অমদি গীটুরাজনা মথংশিংনা ২:৩০:৫৫.৬৯ সেকেন্দ অমদি ২:৩০:৫৫.৯০ সেকেন্দ য়াংনা থৌদুনা শিলভর অমদি ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

নুপাগী কিলোমিটর ১০০ গী ইন্দিভিজুয়েল রোদ রেসতা পঙ্কাজ কুমারনা শিলভর মেদল লৌখি। শ্রী লঙ্কাগী জীভন শিলভানা ২:৫:৩৮.৬৫ সেকেন্দ থৌদুনা গোল্ড অমদি পাকিষ্টানগী নিসার অহমেদনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

ইন্দিয়ানা অরোইবা এদিশন ধাকাদা পাঙথোকখিবা অদুদা গোল্ড মেদল ৩ অমদি শিলভর মেদল অমা লৌখি। শ্রী লঙ্কানা গোল্ড ১ অমদি শিলভর মেদল অমা লৌখি।

**ৱুশু ঃ** চিরাগ শর্ম্মানা ঙসি ৱুশুগী কম্পিটিশন্দা ইন্দিয়াগী গোল্ড মেদল অমা লৌবা ঙমখ্রে।

চিরাগ শর্ম্মানা অপূনবা পোইন্ট ১৮.৪৫০ লৌদুনা গোল্ড মেদল লৌখি অদুগা নেপালগী বিশ্বো বুধামাগর অমদি পাকিষ্টানগী মুহম্মদ ৱালীদ অজমালনা মথংশিংনা শিলভর অমদি ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি। ইন্দিয়ানা মশান্না অসিদা গোল্ড অহুম, শিলভর অমা অমদি ব্রোঞ্জ অমা লৌবা ঙমখ্রে।

**ট্রেক এন্দ ফিল্ড ঃ** রিও ওলেম্পিক্তা শরুক য়াগদৌরিবা শোট-পুট্টর মনপ্রীট কৌরনা মশক থোক্লা পার্ফোমেন্স পীদুনা ইভেন্ট অসিগী হৌদোকপা নুমিৎতা



জোস্না চিন্নপ্পানা স্কাসতা গোল্ড মেদল লৌবা

গোল লৌখি।

ইন্দিয়ানা ট্রেক এন্দ ফিল্ডগী ইভেন্ট মাপনদা গোল্ড মঙা, শিলভর তরুক অমদি ব্রোঞ্জ মেদল অহুম লৌখি। ইন্দিরা গান্ধি এথলেটিক্স ষ্টেদিয়মদা চথখিবা ইভেন্ট অদুদা শ্রী লঙ্কানা গোল্ড মরি, শিলভর অমা অমদি ব্রোঞ্জ মঙা লৌখি।

কৌরনা নুপীগী শোট পুটতা মিটর ১৭.৯৪ শান্না লংদুনা অহানবা গোল্ড মেদল লৌখি। মনপ্রীট কৌরনা মিটর ১৫.৯৪ শান্না লংদুনা শিলভর অদুগা দল্লিয়ু ফর্ণান্দোনা মিটর ১৪.৮৭ শান্না লংদুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

নুপাগী হাম্মর থ্রোদা নীরজ কুমারনা গোল্ড মেদল লৌখি। মহাক্লা মিটর ৬৬.১৪ শান্না লংদুনা মেদল অদু লৌখিবনি। পাকিষ্টানগী শকীল অহমেদনা মিটর ৬৩.৬৭ শান্না লংদুনা শিলভর অমদি শ্রী লঙ্কাগী এল অলান্সমনা মিটর ৪৬.৩৮ শান্না লংদুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

মাযুখা জোনিনা নুপীগী লোংজম্পতা মিটর ৬.৪৩ চোংদুনা গোল্ড মেদল লৌখি। মহাক্লা মিটর ৬.৪৩ চোংদুনা গোল্ড মেদল লৌখি। মহাক্লা মিটর ৬.৪৩ অদু এটেম্প তরুক্লক তৌখি। অতোপ্পা ইন্দিয়ন জিশ্রাধানা মিটর ৬.১৯ চোংদুনা শিলভর অমদি শ্রী লঙ্কাগী এন সি দিপ্রীয়াধরশিনিনা মিটর ৫.৮৯ চোংদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি।

নুপাগী মিটর ৫০০০ গী রেসতা মান সিংহনা ১৪:২.০৪ সেকেন্দ চেন্দুনা গোল্ড মেদল লৌখিবদা নত্তনা গেমসকী রেকোর্দসু থমখি। অদুগা কম্পেট্রোইট সুরেস কুমারনা ১৪:০২.৭০ সেকেন্দ চেন্দুনা শিলভর অমদি নেপালগী রিমাল হরি কুমারনা ১৪:৩২.১৮ চেন্দুনা থর্দ তাদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি।

নুপীগী মিটর ৫০০০ গীদা এল সুরয়ানা ১৫:৪৫.৭৫ সেকেন্দ য়াংনা চেন্দুনা গেমসকী রেকোর্দ থমখিবগা লোয়ননা গেম রেকোর্দসু থমখি। মহাক্কী কম্পেট্রোইট স্বাটি গাধাভেনা ১৬:১৪.৫৭ চেন্দুনা শিলভর মেদল লৌখি। মিটর ১০০ গী লমজেলদা ইন্দিয়াগী নুপা অমদি নুপী অনীমক্লা নিংবা কাইনা লৈহৌখি। ইভেন্ট অসিদা শ্রী লঙ্কানা দোমিনেট তৌখি।

**ৱেথলিফটিং ঃ** ইন্দিয়াগী লিফটরশিংনা ঙসি লোইশিনখিবা ইভেন্ট অসিদা গোল্ড মেদল অমা অমদি শিলভর মেদল অমা লৌবা ঙমখি। ৱেথলিফটিংগী ইভেন্ট ১৫ গী কম্পিটিশন্দা ইন্দিয়ানা গোল্ড ১৩ অমদি শিলভর ১ লৌখি। নুপাগী ৱেথলিফটরনা গোল্ড তরুক অমদি শিলভর অমা লৌখি অদুগা নুপীগীদনা গোল্ড তরুক লৌখি।

সুশিলা পনৱরনা ঙসি ইন্দিয়াগী গোল্ড মেদল অমা লৌখি। নুপাগী কেজি ৭৫ গী কেটাগোরিদা শুরদীপ সিংহনা কেজি ৪৫৫ থাঙ্গৎতুনা অনীশুবা তাখি।

# ও দি আইগী কেপ্তেন ধোনিনা ক্রিকেট টেষ্ট মেচতা শেঞ্জা-থুমজা চথখি হায়বা ৱাফম থোরক্লে





ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ৯ ঃ

ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা অমদি অমত্তা ঙাইরবা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগতা শেঞ্জা-থুমজা চথখিবদগী চাউরবা ৱাথোক ওইনদুনা লৈরিঙৈ চৈরক অসিদা ইন্দিয়াগী ৱান দে ইন্টর্নেসনল (ও দি আই) গী কেপ্টেন ওইরিবা এম এস ধোনিসু মশান্না অসিগী শেঞ্জা-থুমজাদা চেন্নরবরা হায়বগী চাউরবা ৱাহং অমা থোরক্লে।

কুমজা ২০১৪ গী ইন্দিয়া অমদি ইংলেন্দ অনীনা মাঞ্চেষ্টরদা শান্নখিবা মরিশুবা টেষ্ট মেচ অদু ফিক্স তৌখি হায়না মতম অদুগী ইন্দিয়াগী মেনেজর অদুগা হৌজিক্লা দেল্লি এন্দ দিষ্ট্রিক্ট ক্রিকেট এসোসিএসন (দি দি সি এ) গী সেক্রেটরি সুনিল দেভনা মেদিয়াগী থোঙদা ফোঙদোরক্তুনা অচৌবা ৱাথোক অমা ওইরবা য়ানা লৈরে।

দি দি সি এগী সেক্রেটরি সুনিল দেভগী ৱাফম অদু নুংতিগী হিন্দি লোলদা ফোঙবা পাউচে অমনা ষ্টিং ওপরেসন চথখিবদা ফোঙদোকখিবনি হায়না ন্যুজ এজেন্সী অমনা রিপোর্ট তৌরক্লি।

চথখিবা ষ্টিং ওপরেসন অদুদা সুনিল দেভনা হায়খি, নোং তাখিবদগী পিচকী ফীভম অদু য়েংলগা মাঙজৌননা টিমগী মীটিং পাঙথোক্তুনা বোল হান্না লংনবা লৌখিবা ৱারেপপু ধোনিনা বেটিং হান্না তৌনবা খনখিবা অদুনা হায়নিংঙাই লৈতনা অঙকপা পোকহনখি হায়রি।

ধোনিগী ৱারেপ অদুনা হান্নগী ইংলেন্দগী কেপ্টেন জিওফ্রি বোইকোটপুসু অঙকপা পোকহনখি হায়না ষ্টিং ওপরেসনগী ভিদিও অদুদা সুনিল দেভনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ধোনিগী ৱারেপ অদু মহাক মতোমতগী ৱারেপনি অমদি কেপ্টেন ধোনিনা মেচ অদু হান্নবা ফিক্স তৌখি হায়বসি ককনিংঙাই লৈতে হায়না সুনিল দেভনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ওইখিবা থৌওং অদুগী মতাংদা সুনিল দেভনা বি সি সি আইদা পুখৎখি অমদি মতম অদুগী বোর্দকী প্রসিদেন্টতসু আইবা চেরোল অমা পীখৎখি হায়রি। বোর্দনা হিরম অদুগী মতাংদা করি এক্সন লৌখৎখিবগে হায়না হংখিবা ৱাহংদা হৌজিক ফাওবদি মসিগী মতাংদা করিগুম্বা মখলগী এক্সন অমত্তা লৌদ্রিবনা হিরম অদু বোর্দতা অকায়বা পীরমগদবা মান্দে হায়বা ৱাফম সুনিল দেভনা ফোঙদোকখি।

ওইখিবা ফীভম অদু অথুবা মতমদা ফোঙদোক্তুনা মীয়ামদা খঙহনবা পামখিদবনো হায়না হংখিবা ৱাহংগী পাউখুমদা সুনিল দেভনা হায়খি, মীয়াম্না অচুম্বা অদু থাজরোই অমদি মহাক্লা মহাক্কী পুন্সিদা শিংনরক্কদবা অদুগীদমক্তসু চেকশিনবগী মথৌ তাখি হায়না ফোঙদোক্লদুনা করিগুম্বা নখোয়না অরোনবা ওপরেসন চথদুনা ঐবু লাংদা থুহন্নবা হোৎনরম্বা ওইরবদি ঐগী ৱারোলশিং অসিদগী ঐ ইশানা হন্দোক্তুনা বি সি সি আইগী মায়কৈদা লেপকনি। বোর্দ অসিগা ঐগা হৌখিবা চহী ৪০ অসি লোয়নদুনা লাক্লবনি অমদি বি সি সি আই অসি ৱর্ল্দদা খ্বাইদগী ফবা বোর্দনি হায়না ৱাফমসু থমখি হায়না পাউগী এজেন্সী অদুনা রিপোর্ট তৌখি।

# ১৫ শুবা ইষ্ট ইন্দিয়া বোদি বিল্ডিং চেম্পিয়নশিপ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৯ ঃ

চহীসিগী মার্চ ১১ দগী ১৩ ফাওবা সিক্কিমদা ১৫ শুবা ইষ্টর্ন ইন্দিয়া বোদি বিল্ডিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৬ পাঙথোক্লগনি।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী ওভর ওল তারবা বোদি বিল্ডরদা মোটোর সাইকল পীগনি। লোয়ননা চহী অসিগী মার্চ ২৫ দগী ২৭ ফাওবা উত্তর প্রদেশকী গ্রেটর নোইদাদা ৫৬ শুবা সেনিয়র নেসনেল বোদি বিল্ডিং চেম্পিয়নশিপ অমদি ১১ শুবা ৱিমেন ফিটনেস ২০১৬ পাঙথোক্লগনি।

হায়রিবা চেম্পিয়নশিপ অসিগী ওভর ওলদা লুপা লাক্ষ ২ গী শেলগী মনা পীগনি। লোয়ননা নুপাগী ক্লাসিক, নুপাগী ফিজিক অমদি নুপীগী ফিজিক, ৱিমেন ফিগর ২০১৬ তারবশিংদসু তোঙান তোঙানবা মনা পীগনি। হায়রিবা চেম্পিয়নশিপশিং অসিদা শরুক য়ারুনবা মণিপুরগী বোদি বিল্ডরশিং খন্নবগী ট্রাইএল সেলেক্সন অমা ওল মণিপুর বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিটনেস এসোসিএশন (অম্বা) না শিন্দুনা থা অসিগী ২৫ গী নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা খুমন লম্পাক্তা লৈবা অম্বাগী ওফিসতা পাঙথোক্লগনি। অকুপ্পা মরোল অম্বাগী জেনরেল সেক্রেটরিদগী খঙলবা য়াগনি হায়রি।

# সভেন মেন এ সাইদ টিদ্দিম লীগ ২০১৬ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৯ ঃ

ফোইজিং অৱাং য়ুঠ ক্লব (পি এ ৱাই সি) নম্বোলনা শিন্দুনা অনীশুবা সভেন মেন এ সাইদ টিদ্দিম লীগ ২০১৬ থা অসিগী ২০ দগী পাঙথোক্লগনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ানবগীদমক হান্ননা ফোর্ম লৌখ্রবা টিমশিংনা থা অসিগী ১৫ ফাওবগী মনুংদা ফোর্ম পীশিল্লক্লবা খঙহল্লক্লি। নুমিৎ অসিগী মতুংদা থাজিল্লকপা ফোর্মশিং লৌরোই হায়না ফোইজিং অৱাং য়ুঠ ক্লবকী চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা, সভেন মেন এ সাইদ টিদ্দিম লীগ অসিদা মখা তানা শরুক য়ানিংবা টিমশিংনসু অথুবা মতমদা ওর্গেনাইজিং কম্মিটিদগী ফোর্ম লৌদুনা পীশিল্লক্কদবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নরদা রন্নিং ট্রোফিগা লোয়ননা লুপা লিশিং ৩০, রন্নর্স-অপতা লুপা লিশিং ১৭ কী শেলগী মনা পীগনি। লোয়ননা বেষ্ট টিম, বেষ্ট প্লেয়র, বেষ্ট গোল কিপর অমসুং মেন ওফ দ মেচতা লুপা লিশিং ২/২ গী শেলগী মনা পীগনি।

# ইন্টর কোলেজ থাঙ-তা পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৯ ঃ প্রভাবতি কোলেজ ময়াং ইম্ফালনা শিন্দুনা রাজকুমার সনাহল সিংহ মেমোরিএল মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কোলেজ থাঙ-তা টুর্নামেন্ট ২০১৬ থা অসিগী ১৫ দগী পাঙথোক্লগনি হায়রি।

নুপা অমসুং নুপীগী কাঙলুপ্তা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্টর কোলেজ থাঙ-তা অসিদা শরুক য়ানিংবা কোলেজ অমসুং ইন্সটিট্যুশনশিংনা ফোর্ম অমদি মরী লৈনবা চে চাংশিংগা লোয়ননা রুল এন্দ রিগুলেশন অমদি এন্ত্রি ফোর্ম থা অসিগী ১৩ ফাওবগী মনুংদা পীশিল্লক্কদবনি হায়রি।

# ইক্বেষ্টেরিয়ন চেম্পিয়নশিপ

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৯ ঃ

মণিপুর ইক্বেষ্টেরিয়ন এসোসিএশন্না শিন্দুনা ১৩ শুবা সেন্টিনেল কপ অমসুং ৭ শুবা জুনিয়র ষ্টেট ইক্বেষ্টেরিয়ন চেম্পিয়নশিপ চৎলিবা থা অসিগী ১১ দগী ১৫ ফাওবা ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা পাঙথোক্লগনি।

আসাম রাইফলসনা স্পোন্সর তৌদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ইক্বেষ্টেরিয়ন চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়ানিংবা রাইদরশিংনা থা অসিগী ১০ ফাওবগী মনুংদা ফোর্ম পীশিল্লকপা য়াগনি। ইন্দিভিজুএল রাইদরশিংগী ওইনা ফোর্মগী মমল লুপা ৫০ নি। অদুগা টিমগী ওইনা এন্ত্রি ফিনা লুপা ২০০ ওইগনি।

ৱাণ্টেড/URGENTLY REQUIRED

A leading business organisation requires folowing 30 (M/Female) candidates for Imphal and Guwahati Branches.

**POST :** Promotional Executives; **QUALIFICATION :** VIII and X Passed; **AGE :** Below 28 years; **EARNING :** 8000-16,000/m + 2000 Stipend + Free Lodging.

**LIMITED SEATS**

**Walk In Interview between 10:00 a.m. to 4:00 p.m.**

***Contact* : REBECCA (9856171425)**
C/o King Creator, 2nd Floor, Alu Gali, Above Payal Showroom, Thangal Bazar.

HL-P/7411/28 Jan.-13 Feb.

**MANIPUR UNIVERSITY**
**CANCHIPUR : IMPHAL**
**NOTICE**

Imphal, the 5th Feb. 2016

**MU/1-100/15/Admn.I/1251:** With reference to the Advt. No. 2/2014 dated the 22nd October, 2014 it is hereby notified for general information of all the eligible candidates for recruitment to the non-teaching posts of Senior Assistant on regular basis for the category of UR and OBC that the University will conduct written test for recruitment to the posts as per the following schedule:-

| S/NO. | NAME OF THE POST | DATE OF WRITTEN TEST | TIME | VENUE |
|---|---|---|---|---|
| 1. | Senior Assistant (1-UR/1-OBC) | 17/02/2016 | 10:30 a.m. | Court Hall |

**Dr. R. K. Joteen Singh**
**Deputy Registrar**

HL-B/2950/09,10